# হুইয়েন লানপাউ

মালেমগী ইনভাই-রোনমেন্ট নুমিৎকা মরী লৈননা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন এন জি বিজয়না লম্ফেল দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা উ চারা থাবগী শক্তম



কোলিসন ওফ ইন্দিজিনস রাইটস কেম্পেইন (সির্কা)না শীন্দুনা থৌবাল দিস্ট্রিক্তকী উমাথেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা মীয়ামগা রাখল তামিন্নবগী থৌরম



মালেমগী ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎকা মরী লৈননা অঙৈং-অশাগী খল তাক্তুনা থম্লবা থৌবাললা লৈবা কে ভি কেগী কমপ্লেক্সতা উ চারা থাবা



অচা থুমনা পোৎয়ান তৌবা ফারুকগী রাইৎদা ফজিল্লগা কৈক্তুমশঙদা থমজবা কে এস এগী মতৈরোয় ৫ থাদেকউ হায়বা দিমান্দ তৌদুনা হৈরোক পার্ট-২দা ফমথিবা রাকফ মীফম



Vol. 40, Issue No.68 | নিংথৌকাবা, ইঙা ১/২ পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, June 06, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ

**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

তশেংবদি চেঙ্গুম মরু পুথোকপদা চঙলিবা পাউদরশিংদগী হেন্না মরু ওইরিবদি চেঙ্গুম মখল অমসুং মদু পুথোকপদা চঙলিবা টেক্নোলোজিদুনি। কুপ্না নৈনবিগনি খনজে।

১. লৌবুক্তা সুপর চায়বগী কান্নবসিবু করি ওইরবনো? লৌ শঙম অমদা সুপর কয়া য়াম্না চায়গদগে? করম্না মতমদা অয়ুক্তা-নুংথিলদা ইয়া য়াব্রা?

তিলোতমা অথোকপম
তোপ ময়ায় লৈকায়

⇨ পাম্বীনা চাং ৱাংনা পাম্লিবা মচিঞ্জাক ফোসফোরস ফংহন্নবগীদমক সুপর (সিঙ্গল সুপর ফোসফেট, ত্রিপল সুপর ফোসফেট) চাইনৈ। শঙম অমা চাওবা লৌফমদা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলোগ্রাম ৬৫-৭০ মুক চাইনি। ত্রিপল সুপর ফোসফেট ওইরগনা কিলোগ্রাম ২০-২২ চাইনি। চাইবগী মতমসি অয়ুক/নুংথিলগী খেন্নবা লৈতে। অদুমক্তবু লৈবাক শেম্না মতমদা চাইগনি। অরোইবা লৌওনগী হেক মমাঙদা চাইরগা খোইজিনহৌগনি।

২. চেঙ্গুম মরুম শেম্বদা শেম্মীবা পাউদর কয়া শুবগে, য়ারগদি মমীংদু অমত্তা তাকপীরকউ। হায়রিবা পাউদর অসি ইম্ফালগী মফম কদায়ৱাইদা ফংগদগে? মরু শেম্বদা চংলিবা পাউদরদু খঙজনীংই।

অতাঙবা নিংথৌজম
**atangbaningthoujam@gmail.com**

⇨ মরু ওইনা চংলিবা পাউদরদি কেলসিয়ম সলফেট অমসুং কেলসিয়ম কার্বোনেটনি। স্কুল/কোলেজগী লেবোলেটোরিশিংদা শীজিন্নগদবা রিএজেন্টশিং য়োল্লিবা দুকানশিংদা ফংই। মসিনা অতাঙবা মখলগী ওইরবসু অহোংবা মখল কয়া অমসু ফংই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল **hueiyenagri@gmail.com** দা চিঠি থাবিরক্লুনা হংবিরকপা য়াগনি।

## অৱাথবীগী পোখোক

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**



**মণিপুরগী** মীপুম খুদিংনা পাম্নরিবা উহৈশিংগী মনুংদা অৱাথবীসু অমনি। পাম্নবগী ৱানি থাবগী চাংদি হিসাম তৌবা য়াদবা মখৈ নেম্লি। অদুমকপু ইন্দিয়াগী ওইনদি হেক্টর ৩৯,৩০০ মুক্তা থাদুনা অৱাথবী মিলিয়ন টোন অমা মথাইমুক চহী খুদিংগী পুথোক্লি। মণিপুরদা হৌরিবা অৱাথবীশিং অসিসু মখল মথা কয়াগী লায়না তাশিন্দুনা পোখোক য়াম্না হন্থহল্লি। মরু ওইবা লায়নাশিংগী মনুংদা চারাগী মখোং পৎপী, পাউদরী মীলডিয়ু, ফ্রুট রোট, লীফ স্পোট, এন্থ্রাকনোজ, স্টেম রোট, ব্লাইট অমসুং কনবা ৱারবা ভাইরসকী লায়নাশিং মমিং পনবা য়াই।

ভাইরসনা থোকহনবা লায়নাশিংগী মনুংদসু পাপায়া রীং স্পোট ভাইরস হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না শাথি। লায়না অসিনা নাপ্রবা পাম্বীদু ফহনবা ঙমদে। লায়নাসি পাম্বী অমদগী পাম্বী অমদা শন্দোরক্লুনা থারিবা পাম্বী পুম্নমক লায়না অসিনা নাহনবা ঙম্মী। লায়না অসিবু ঙাকথোকচবা ঙমজবা পাম্বী মখল (resistant or tolerant cultivar) লৈত্রি। মরম অসিনা লায়না অসিগী লায়ওং খঙদোক্লুনা মথা তনা শন্দোরক্লনবা হোৎনহৌবা চঙই। পোখোক হেনগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

**লায়ওং ঃ** মথক থংবা পাম্বীগী শরুক খুদিং হায়বদি মনা, মখোক, মহৈ অমসুং মউদা লায়নাসিগী লায়ওং উবা ফংই। লায়না অসিগী লায়ওং নৌরিবা মনাদা ইহান হান্না উই। নৌরিবা মনাশিংগী মচু তাইথরকই, নাপু মচু চংলপ তৌরকই। মনাগী মশিংশিং ময়েক শেংনা উবা হৌরকই। মনাগী মচি মচিদা য়াম্না শংজিনবা শরুকশিং লৈগনি। মনাগী মতাই থংবা শরুকশিং কোনখৎলি। মনা য়াৎপগী মশীং হেনগৎলি; চাং মান্নদে। মওং কায়। অরিবা মনাগী মতাই থংবা শরুকশিংনা হেন্না কোনশিল্লি। কেনগল্লি। মনা মশীং হন্থনা শুংজিন্না লৈহৌই।

পাল্লিবা মহৈশিং পীকই, মওং কায়না লৈ, য়োনবদা শিংকনবা মান্দে। নুমিৎ ১৫ মপুং ফারবা উহৈশিংদা লৈরকই। কোরোক কোরোক কোইনা য়েকপা মানবা দাগশিংদু মিলিমিটর অমা মথায়মুক্তং চাওগনি। অৱাথবী চাওখৎলকপগা লোয়ননা অকোয়বা দাগশিংসু চাওখৎলকই; মিলিটর ২৫ ফাওবা চাওনা য়েকপা মাল্লকই। মুল্লবা মতমদদি দাগশিং উবা ৱায়। অসিগুম্বা অৱাথবীশিং খোকতোক্লবা ফাওবদা হায়রিবা মমীশিংদু মনুংথংবা শরুক্তা ফাওবা তাই। অৱাথবী পাম্বীদসু শাংনা শাংনা চিংবা মানবা অশংবা অমসুং ঙৌরুনবা দাগশিং ওন্না ওন্না লৈবা থেংনগনি।

লায়না অসিনা নারবা অৱাথবীশিংগী পোখোক হন্থে। থুম্না ৱাৎলি।

**ঙাকথোক্লুবা পাম্বে ঃ** লায়না অসি মরুদগী চেন্নরকপা নত্তে। অদুগা লায়না অসিবু ঙাকথোকচবা ঙমজবা অৱাথবী মখলসু লৈতে। লায়না অসি অৱাথবী পাম্বী অমদগী অতোপ্পা অৱাথবী পাম্বী অমদা শন্দোকপগী থবকসি ৱাহিকশিংনা তৌই। হায়রিবা অপীকপা মহি চুপ্পী তীলশিংসিনা অনাবা পাম্বী অমদগী মহি চুপ্লুরগা নাদবা পাম্বী অমদা অমুক মহি চুপলুবদা লায়নাসি ইরায় লায়না শন্দোরকই। মরম অসিনা লায়নাসিবু মপুং ফানা ঙাকথোকপা ৱাই। চাওখৎপা লমশিংদদি পাপায়া রিং স্পোট ভাইরস পিগী খরা শোনবা স্ট্রেনশিং শীজিন্নৈ। অৱাথবী পাম্বীনা পীক্লিঙৈ, মনা অহুমমুক্তা ওইরিঙৈদা হায়রিবা অশোনবা স্ট্রেনশিং অসি কাপশিন-চাইশিল্লি। নুমিৎ ১৫ নিমুক লৈরগা অমুক হন্না চাইশিল্লবা (innoculate) মতুংদা চারাশিং লিংথোকপগী থবক তৌই। পাম্বীশিংবু লায়না অসিদা হৈনহল্লি। অকনবা স্ট্রেনবু খরমখৈ ঙাকথোকচবা ঙমজহল্লি।

লমদমসিদা পাঙথোকপা য়াবা থৌরমশিংদি (১) লায়না চেন্নবা পাম্বীশিং য়ারিবমখৈ ফুক্তোকপীগনি। মৈ থাদোকখিবা নৎত্রগা ফুমজিনবীখিবা ফৈ। পাল্লকখিনি, চাওরকখিনি খন্না থম্বীরোইদবনি। মথা তানা শন্দোকখিদনবা হোৎনবীগনি।

(২) জুলাই থা অমসুং ওক্তোবর থাদা থাবীরোইদবনি। ফেব্রুৱারী থাদা থাবনা লায়না তাবা হন্থে অমসুং পোখোক হেনগৎহল্লি।

(৩) পাম্বীনা ঈশিং ফংদবা মতমদসু পাম্বীগী ঈশিং ৱাত্তনবা হোৎনবীগনি। অৱাথবীদা ঈশিং হেনবা য়াদ্রবসু, ৱাৎপসু য়াদে; পাম্বী মশা শোল্লি, লায়না তাবা হেল্লকই। উপায় অমা থীদুনা ঈশিং ৱাৎহনবীরোইদবনি। ঈশিং হাপ্লম্না প্লাষ্টিক বোটলশিংদা পীক্লা হুৎপিরগা হৈখোংদা থম্বীদুনা ড্রিপ ইরিগেসনগী মওংদা ঈশিং পীবীবা য়াই।

(৪) মনাক নকপদা মরী চৎপা পাম্বীশিং খুদম ওইনা থবী, মাইরেন, তরবুজ অমসুং দসকু সনচিংবা পাম্বীশিং থাবীরোইদবনি। মরমদি হায়রিবা পাম্বীশিংদসু লায়নাশিং অসি তাগল্লি। পাম্বী মখল অমদগী অতোপ্পা পাম্বী মখল অমদা লৌনরকপা য়াই।

মসিদা নত্তনা খামেন অশিনবা, হীদাক মনা, মোরোক্লচিংবা পাম্বীশিংগসু নক্লুনা থাবীরোইদবনি। হায়রিবা পাম্বীশিং অসিদসু অৱাথবীনা তোয়না নাবা লায়না পাপায়া লিফ কর্ল হায়বা (মনা কুশিনবী) লায়নাদুসু তাগল্লি।

(৫) ৱাহিক তীলসিবু হাৎনবা মখল মখলগী হিদাক কাপনরি অদুমকপু খ্বাইদগী চানবদি Dimethoate 30% মিলিলিটর অহুম ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়ানবীরগা অমসুং নিম ওইল মিলিলিটর ১০ মুক য়ানশিনবীরগা কাপথোকপীবা য়াই। তৌইগুম্নসুং অতৈ পাম্বীদা কান্নবা ফংবগী চাংদুমক্তি অৱাথবীদদি ফংদে। অৱাথবী পাম্বীদদি ৱাহিকশিং মচা পোক্তে হায়না রিপোর্ট তৌনবসু লৈরি।

লায়না তীলনা ঙাকথোকচনবনি হায়দুনা হীদাক খক্তগী মতেং লৌবগী মতম হেল্লে। অতোপ্পা থবক কয়াগী মতেংনসু লায়না হন্থহনসি, পোখোক হেনগৎহনসি হায়বা ৱাফমসি থমজনিংই।